# এম পি সী ট্রোফি : আই দি ফুটবোল একাদমি অমসুং ৱাই এস সী সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস):
মল্টি পর্পজ ক্লব (এম পি সী) হিয়াংথাংনা শীন্দুনা হৌজিক-হৌজিক চথুরিবা এম পি সী ট্রোফি ২০২৫ অহানবা ষ্টেট লেভেল ৯ মেন এসাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা আই দি ফুটবোল একাদমি সঞ্জেবমনা এম পি সী হিয়াংথাং অদুগা ৱাই এস সী নাউরেম চাপ্রৌনা চজিং এফ সী মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

চথুরক্লিবা টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা নুংথিল পুঙ ১.৩০ তাবদগী হৌরগা আই দি ফুটবোল একাদমি সঞ্জেবম অমদি এম পি সী হিয়াংথাংগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী আই দি ফুটবোল একাদমি সঞ্জেবমগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী হৌগৎলকপা ৮শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় প্রেমজিৎনা চনখিবনি। মহাক্কী পাঞ্জল অদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা আই দি ফুটবোল একাদমি সঞ্জেবমনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু মখা তানা আই দি ফুটবোল একাদমি সঞ্জেবমগী শান্নরোয়শিংনা অদুম্মক বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। য়ুম্মু এম পি সীগী মায়কৈদগীসু মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। মেটচ অদুগী ২৮ শুবা মিনটতা এম পি সীগী শান্নরোয় বিনোইনা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদুনা ১-১দা মান্ননা লৈখি। অদুবু বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা আই দি ফুটবোল একাদমি সঞ্জেবমনা মেটচকী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা মখা তানা পাঞ্জল ৩ চনবা ঙমখি। অদুবু য়ুম্মু এম পি সীগী ওইনদি মখা তাবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু আই দি ফুটবোল একাদমি সঞ্জেম্বমনা পাঞ্জল ৪-১দা মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মরীশুবা অমদি অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ ওইনা নুংথিল পুঙ ৩.৩০ তাবদগী হৌরগা ৱাই এস সী অমসুং চাজিং এফ সীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা মেটচকী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা ৱাই এস সীনা চাজিং এফ সীবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৩৫ অমসুং ৪২শুবা মিনটতা নিংথৌবা অমসুং এইমসননা অমমম্ চনখিবনি।

# আই পি এল : মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা গুজরাট টাইটান্স মায়থিবা পীরম্লগা মথং মেটচকীদমক শেম শাখ্রে




টিরা, মে ৩১ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মশিংদা হৌজিক-হৌজিক চথুরিবা ইন্দিয়ন প্রেমিয়র লীগ (আই পি এল)গী ওইনা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা গুজরাট টাইটান্স মায়থিবা পীরম্লগা মথং মেটচকীদমক শেম শাখ্রে।

পঞ্জাবকী টিরাদা লৈবা মহারাজা য়াদাভিন্দ্র সিংহ ইন্টরনেশনল ক্রিকেট ষ্টদিয়মদা ঙরাং নুমিদাং টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী টোস মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা ঙমদুনা হান্না বেটিং তৌদুনা শান্নখি। মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা রোহিট শর্ম্মা অমসুং জোনি ব্যেরষ্টোনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। মখোয় অনীনা হৌগৎলকপদা মায়োক্নরিবা টিমগী বোল্লরশিংনা চথুরকখিবা মখল মখা কয়াগী এটেকশিং হৈন-শিংনা মায়োক য়াদুনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা টিমগী রন মশিং য়ামহন্নবা হোৎনবদা চাওনা মতেং পাংলমখি। বেটসমেন রোহিট শর্ম্মনা বোল ৫০ মায়োক্লবদা রন ৮০ অদুগা জে নিনা বোল ২২ মায়োক্লবদা রন ৪৭ লৌরমখি। মখোয় অনীগী মতুংদা থোক্লকখিবা বেটসমেনশিংনসু হৈন-শিংনা মখা তানা শান্নবা ঙমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা বেটসমেন সুর্যকুমার য়াদবনা বোল ২০ মায়োক্লবদা রন ৩৩, টিলক বর্ম্মনা বোল ১১ মায়োক্লবদা রন ২৫ অদুগা হার্দিক পান্দিয়ানা বোল ৯ মায়োক্লবদা রন ২২ লৌদুনা টিমগী রন মশিং য়ামহনবদা অমুক্কা হেন্না মতেং পাংশিল্লমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা অপীবা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৫ তুরগা পুন্না রন ২২৮ লৌবা ঙমখি।

গুজরাট টাইটন্সনা টার্গেট রন ২২৯ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা সাই সুদশন অমসুং কেপ্টেন সুবমন গিলনা ওপনর বেটসমেনশিং ওইখি। বেটসমেন গিল বোল ২ মায়োক্লবদা রন ১খক লৌরম্লগা আউট ওইখ্রবসু সাই সুদর্শননা বোল ৪৯ল মায়োক্লবদা রন ৮০ লৌরমখি। ইন্নিংস অসিগী ওইনা লেমহৌরিবা বেটসমেনশিং মখোয়গী হৈ-শিংবা মপুং ফানা উখোক্তুনা শান্নরবসু অপীবা ওভর ২০ লোইবদা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ২০৮ দগী হেন্না লৌবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা রন ২০দা মায় পাকখিবনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1490**

**GM Hikaru Nakamura (2804) - GM Magnus Carlsen (2837)**
**13th Norway Armageddon Stavanger NOR, 2025.05.27**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.Nf3 d5 | 2.g3 g6 | 3.d4 Bg7 | 4.Bg2 Nf6 |
| 5.O-O O-O | 6.c4 c6 | 7.Qb3 dxc4 | 8.Qxc4 Bf5 |
| 9.Nc3 Nbd7 | 10.Bf4 Nb6 | 11.Qb3 Nfd5 | 12.Be5 Nxc3 |
| 13.bxc3 Be4 | 14.Bxg7 Kxg7 | 15.Rac1 c5 | 16.dxc5 |
| Nd7 | 17.Qb4 Nf6 | 18.Bh3 Qc7 | 19.Nd4 b6 |
| 20.cxb6 axb6 | 21.Qb2 Ra4 | 22.Be6 Ra5 | 23.Bb3 e5 |
| 24.Nc2 h5 | 25.h4 Ng4 | 26.Na3 g5 | 27.Nc4 gxh4 |
| 28.f3 Qc5+ | 29.Kh1 Ba8 | 30.Nxa5 bxa5 | 31.e4 hxg3 |
| 32.Bd5 Bxd5 | 33.exd5 Ne3 | 34.Rg1 h4 | 35.c4 Qd4 |
| 36.Qxd4 exd4 | 37.d6 Rb8 | 38.Rb1 Rd8 | 39.c5 Kf6 |
| 40.c6 Rxd6 | 41.c7 Rc6 | 42. ... | |

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1489 Solution :**

**9.f6 Qxf6**
*9...d4 10.fxg7*
*9...Bxf6 10.Bxh6*
**10. Bg5** *The white bishop attacks Black's queen, which is now trapped.* **dxe4**
*10...Qxg5 11.Nxg5 Bd4+ 12.Kg2*
*10...Qd8 11.Bxd8*
*10...Qd4+ 11.Nxd4*
Garbage collection **11. Bxf6**
**1-0**

HL-B/9072/1 June to 10 June

# ফ্রেঞ্চ ওপন : অলকারাজ ৪শুবা রাউন্দ চঙখ্রে



পেরিস, মে ৩১ (এজেন্সী):
ফ্রান্সনা য়ূম্মু ওইদুনা হৌজিক চথুরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন ২০২৫গী ওইনা দিফেন্দিং চেম্পিয়ন কারলোস অলকারাজনা বোসনিয়াগী ভেটরান দামির জমুহুরবু মায়থিবা পীরম্লগা মরীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখ্রে।

ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা অলকারাজ অমসুং দামিরগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইবা মেটচ ওইখি। মালেমগী ওইনা অনীশুবা মফমদা লৈরিবা কারলোসনা হৌগৎলকপা সেট অনী ফজনা শান্নবা ঙমদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা নক্না চঙশিল্লকখি। অদুবু অহুমশুবা সেটতা ভেটরান প্লেয়র অসিনা হৈন-শিংনা শান্নরকখিবগা লোয়ননা অলকারাজনা মায় পাক্লবা হোৎনরকখিবা অদুদা অয়েৎপা পীবা হৌরকখি। অদুবু নহা ওইরিবা শান্নরোয় অলকারাজনা মরীশুবা রাউন্দদা য়াম্না চেকশিন্না শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু সেট ৩-১ (৬-১, ৬-৩, ৪-৬, ৬-৪) দা মায় পাক্তুনা মরীশুবা রাউন্দ চঙবা ঙমখিবনি।


মেটচ অদু মায় পাক্লবা মতুং গ্রান্দ স্লাম টাইটল ৪রক লৌবা ঙমখ্রবা মশাগী চহী ২২ রোম শুরবা অলকারাজনা ফোঙদোকখিবদা, শান্নখিবা মেটচ অদু মহাক্কী ওইনদি য়াম্না লুবা মেটচ অমা ওইখি। চহী য়াল্লবসু মহাক্না লম্বা তৌনরিবা দামির মপুঙ ফানা এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই অমনি অমদি মহাকপু মায়থিবা পীবা হায়বসি অরাইবা ওইখিদে হায়খি।





HL-B/9072/1,3,5,7,9,10

# য়াইস্কুল কেন্দ্রনা ধ্রুবতরা ৱাবগাই কেন্দ্র থোইখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস): মণিপুর কাং এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা ৱালিদা কাংখুৎনা শিন্দুনা ৱাবগাই অৱাং লৈকায় কম্যুনিটি হোল কাংশঙ অমদি লাংমৈদোং লাইমনাই ইমোইনু কাংশঙদা চথুরক্লিবা ২৫রকশুবা অরাম্বম সোমোরেন্দ্র নীংশিং কুমওন লীগ কম নোক-আউট কেন্দ্র ৱাইজ ওপন কাং টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা য়াইস্কুল কেন্দ্র মায় পাকখ্রে। ৱালিদা কাংশঙদা য়াইস্কুল কেন্দ্র অমসুং ধ্রুবতরা ৱাবগাই কেন্দ্রগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৈ-শিংবা মান্ননা শান্নবা ঙল্লবসু অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা য়াইস্কুল কেন্দ্রনা পাঞ্জল ১৬-১৩ দা মায় পাকখিবনি।


Title : Standing Boy
By : Thoithoiba Moirangthem
Class : II Roll No. : 35 Sec. : B
School : Ramakrishna Mission School


Title : Ice Cream
By : Lamnganbi Devi Bachaspatimayum
Class : UKG Roll No. : 6 Sec. :
School : Hello Kids Imphal West



Title : Goku
By : Oswin Mutum
Class : VII Roll No. : Sec. :
School : UNACCO SCHOOL MEITRAM



Title : Girl
By : Sarvashree
Class : 4 Roll No. : 10 Sec. : A
School : IPS


Title : Scenery
By : Takhellambam Ranjita
Class : II Roll No. : 31 Sec. : Daffodil
School : SL Arena of Learning


Title : Bindnidundun Madindundun
By : Yeninghunda
Class : I Roll No. : 10 Sec. : A
School : IPS


Title : Scenery
By : Tongbram Cherika
Class : II Roll No. : 66 Sec. : Amber
School : Heritage Convent School, Naoremthong


Title : Kite
By : Ranison Shorokhaibam
Class : I Roll No. : 1 Sec. :
School : Pole Star School



Title : Computer
By : Nganthoi Koijam
Class : II Roll No. : 60 Sec. : G4
School : R.M. School, Kwakeithal Heinous Khongnembi


Title : A Deserted Hut
By : Laishram Wanglenngamba
Class : I Roll No. : 2 Sec. :
School : Kongpal Imphal Morning School


Title : Sea Beach
By : Laishram Poireinganba
Class : II Roll No. : 11 Sec. :
School : Kongpal Imphal Morning School


Title : Burning Earth
By : Laishram Panthoi Chanu
Class : I Roll No. : 23 Sec. : Lily
School : Princiton International School


Title : Tripa troppa tralalla lirilila ...
By : Aiden Phuritshabam
Class : II Roll No. : 1 Sec. : B
School : Rama Krishna Mission School, Uripok


Title : Camel
By : Solaina Chongtham
Class : VI Roll No. : Sec. :
School : JJ school Montessori ghari makha leikai


Title : A Gift
By : Aheibam Nungshithoi
Class : II Roll No. : 17 Sec. : Rose
School : SL Arena of Learning

ঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাইঅ দু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।অ

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com